ৱারীমচা

# অওনবা

**হাওবম প্রিয়োকুমার**

ফাইরেন থানবু য়ৌরক্লবদি প্রেমজিৎ অমসুং রোমাবতি ঙাইহাক লৈতে উংখৎনরিবা। শেল য়াম্না কৌবগী ৱা ঙাকসু নৎতে; শেল মরাঙ কায়বা ওইরম্লবসু উংখৎনবদি তোক্কদবা লৈতে হৌজিক চাওখৎপা মতৌ তম্বগী শীৎলিবা অকনবা নুংশিৎ অমদি ইজ্জৎকী নোংলৈদগী রোমাবতি নাম্থোকপা ইঙম ঙমদে। ইজ্জৎকীনিবু হায়রবদি, পূক থাক্লিবা লৌ য়োম্থোক্লগা কার তৌংই হায়নবা মীদাদুগুম্বীনি। অদুবু প্রেমজিৎতি মতম মতমগী য়েংনা অসি ফত্তবা, তৌবা য়াবা, অসিফাওবনা তৌরোইদবা হায়দুনা কাখল খাবা মীনি। অঙাং অহুমদুগী লাইরিক তম্নবগী হোৎনবদা খা-রাই খঙদে। অদুনা মবান্নীগী শেন্থোক মতাদুনা ইমুংদো পুবা ৱানা থোকই।

মমাঙঙৈদদি নাহুৎ-নারেং, লুগুণ থাংবনচিংবদা পোৎয়েং লৌনরমদে, চাউনসু তৌনরমদে। অদুবু হৌজিক্তি খঙনা চান্নবা চীথদনা বার্তন তৌদুনা পোৎয়েং লৌবগী চৎনবী অমা লৈরক্লিবসিমদি, প্রেমজিৎতিকন্না য়ানীংলুদ্রি। অদুবু মাসু খুন্নাইসিদা তিল্লুরবনিনা পামদা পামদা মানা অঙন্বা খরা পোৎয়েংদুনা অদুম্মক য়াওরি। মানা য়াম্না ঙক্লিবদি, হৌজিক্তি অখন্নবা অহল খরা নৎতনা লুগুণ শীজিন্নরক্ত্রবা মতমসিদা পাখঙ মচা কয়াদি লুগুণ থাংবগী চাউনা চাউনা পাঙথোক্লরক্লিবা অসিনি। নুমিৎ কয়ানিবু মখোয়না শিরমগনি খল্লুবদা মাদি মমজরিবনি। অমনা, অঙাং চউম্ববু মী ৪০০/৫০০ গী চাক লাঙদুনা পোৎয়েং লৌবগী মওংগুম অমা তৌখৎনরক্লিবসিমদি প্রেমজিৎতা ওন্থোক্লা ইকায়বিবমখৈ পেঞ্জদে। সিদা নৎতনা য়ূম শঙ্গাবদসু অদুমঙায়, মীয়াম অমা বার্তন তৌদুনা পোৎয়েং লৌবগুম্না লৌনরক্লিবসিবুসু মঙোন্দদি য়াম্না হৈনদবা ফাওরিবনি। হায়রিবা ময়ামসি পোৎয়েং চায়েংগী পোৎলূমদা নৌনা হাপচিল্লক্লিবনি লোয়ননা পোৎয়েংনবদা লমজেল তান্নবগুম মথোল মথোল ৱাংখৎনরক্লিবা অসিগী মতাংদসু রোমাবতিদা তৎতনা হায়রিবনি। অদুবু রোমাবতিনা ঐখোয়দগীরা লৈবাক্কী চৎনবীবু তৌদবা য়ারিবরা হায়দুনা মনাদা হাপ্তে। ইজ্জৎকী খন্দুনা মীঙোন্দগী পূশিল পূশিল্লগা মায় পাক্লা হেক হেক পোৎয়েংলিবনি। অদুনা থাবান ফবা নুমিৎতদি ইমুংদো মমৈ মকোক ওনবমখৈ ফ্র ফ্র হাইরিবনি।

মমাঙঙৈ মতমদদি থৌরম পাঙথোক্লিবা ইমুংদুগা হেন্না নকশিন্নবা মরী-মতা, কা হেন্না খঙনা চান্নবা খরনা নৎতনা দেব-কর্মনচিংবদা ময়ায় চঙনরমদে। অদুবু হৌজিক্তি তৌদবা য়াদবা অমগুম, মপূং ওইনা নুপানা ময়ায় চঙবগী চৎনবী অমা লৈরক্লি। পোৎয়েং শেলবু হোৎনগদরা ময়ায় চঙবগীবু শেন্নগদরা অৱাবা হায়বদু ওইনবিবনি। অদুবু প্রেমজিৎতি মসিবু পামজদবা হায়গদরা, য়ানীংদবা হায়গদরা চঙদবা য়াদবা খরা নৎতনা অয়াম্বা মতমদা মসিদগী লাপথোক্লা লৈগল্লি।

রোমাবতিগী অপোকপা লৈতবগী শ্রদ্ধ নকশিল্লক্লে মতাঙ অমা য়েংলগা খোঞ্জেলদু খরা পুথরগা,

"ববাগী শোরাৎকী দক্ষীনাদা ষ্টিল-প্লেট অমমমসু হাপকদৌরি; মদুনা ঐনা ঙন্বা তারে। কমাই তৌসিগে?"

"কৈনো, অপায়বা মীনা অদুম তৌজসনু কৈদৌবৈ মখোয় মতৌ তম্মুদোইনো। মোয়সুনে তৌজনীংবা হায়দুনি। অঙন্বা লুপা মঙারা কৈনো খরা তৌরগা লোইরপোৎতুদা।"

"মোয়দি হায়জপোৎতেদা, ঐনা হাপসি হায়না হৌদোকউবদুদা...।"

"ইস: শেল লৈখ্রবোইদা; থোক্লিকো থোক্লিকো, মদু থোক্লি। কৈকান্দবদা ময়াং হরাওনবনি। ফরেনে, য়াম পীক্লা ষ্টিল-প্লেট অমদা লুপা কুন হায়না পারসি; অদোইদি মী ৫০০ গীদি লুপা লিশিং তরা। ইস! অসুক য়াম্বা শেলফমসিদি... ফজৈনে।"

"কদায়দৈ মী ৫০০ নোদা, বার্তন লিশিংগী মথক্তা চৎলিবনি।"

"অদোয়দি, অসুক য়াম্বা শেলসিদি কদায়দৈ। খঙদে তৌদোইসে, অকোনবদদি ষ্টিল বালটিনকা হাপ্পরক্কদৌরিপোৎনি, নুংঙাইদকো হে মৈতৈ।"

"অদুনবু তাননসি হায়দুনা হৌদোকইসিনি।"

"ঐখোয় ইতীক ইপা নৎতে, কানাদা ৱানি ওইরোইদবদা তোকসি।"

"কৈনো, ইপাগীবু সিনা অরোইবা হায়বদো ওইরবনি"

"অদুবুনে কদায়দৈনো হায়বা? মখা তারগুমসিকো।"

অসুম্না মতমগী ঈচেল্লক্তা রোমাবতি ঈরাক্লে।

ছুটি নুমিৎ ওইবনরা কৈনাহনবীগী হোটেলদু অয়ূক্কী তলগীদমক মীনা পীক থল্লি। লুহোংবা য়ৈথোকপগী পাউচেদা হাপ্পক্লিবদু উনরুবদগী অমসু অমসু নুমিৎতুগী লুহোংবা ফাংনবগী ৱারী মথং মথং তৌনরকই। মখা লৈকাইগী ইবোহলনা।

"ঙসিসি থাবান ফখ্রমানে, কৈনো লুহোংবৈ বার্তনদদা মরিনি, পোৎহাপতা য়ূমক শঙ্গাবৈ অমগা খঙদে তৌদোইসে শেলনা শেল লৈতবনে, য়ূম চঙদৌদুম তল্লে।"

চা থল্লক্ম্বদগী গ্লাসতু শৎ থল্লগা ইবোবীনা,

"তামো, মৈস্নামগী শঙ্গাবদুরা? ঐসু বার্তন উরম্মী। তামোইদি লুহোংবৈ বার্তন মরিখক্তনি; ননাওগীদি তরুক্তুম শুহৌই; মনা হূৎপা অনী অমসু য়াওহৌরি। চহুম চহুম, চামঙা চামঙা য়ামদ্রবদা লিশিং মরি মঙানি। ঙসিনা লোইদৌসু নৎতে কমাই তৌদোইনো খঙদে। সুম্মাইনা অমুক অমুক লাকপসিদা পূফমবু লৈশিল্লক্তরে।"

মশম অকোইবদু নানবোই লাকপোই তৌরগা ওঝা খোইবীসু নোকখি নোকখি,

"এ: ঐসু লুহোংবদা তরুকনি অনী অমদি বম্পরনি লিশিং লিশিংদৈদি তাবা য়াদৌ মান্দে। ইচানুপীগী গাড়ী পাংগদৌবা অমসু য়াওই। হৌজিকপু কদোমদগীনো লুগুণ থাংবৈ অমসু উরম্মী; মতমসিদবু।"

ময়াম্না হায়নরকপদুদা থোইবসু য়াওশিল্লকই, "ময়াম্না হায়নৈদো ঐসু চীথদে। ঐদি মেগা বম্পরবু য়াওহৌইদা । অতৈ তাবান ফবা মরকসিদা বোনস ওইনা শোরাৎ অমসু থেৎচিল্লকইবনি। পোৎয়েং শেলনা লোইবা নৎতে, অদগী মরক চঙবী হায়দুনা কনাগী পুথাং ঙম্পোৎতেদা।"

অমনসু অমনসু হোয়নে মরক চঙবী হায়না তৌখৎলকইসিনা কদোমগীনো খঙনা চান্নবা ঙাক্তনিনা অমনা হেক চঙখিবদা ফজদবা লৈবনিনা, পুরা দন্দীনি পোৎয়েং থা য়ৌরক্কনি খনবদা লাইমন কাঙনরবনি। পোৎয়েং শেলনা খরা খরা পীক্লরবদি খরসু ফগদবা। লোৎতুনা, চেন্দুনা, য়াবসু নৎতা; করিনো লৈবাকসে তৌগদৌরিবসে লুখরে। অসুম্না হোটেলদো পূন্নাং লাংই। ময়াম্না হায়নরিবশিং তূমিন্না তারম্বদগী প্রেমজিৎনা,

"ময়ামশু হায়বিরি, মসিগী পোৎলূমসিদি ইমুং খূদিংদা নংইবনি। লুপা য়াঙ্খে য়েংনরম্বদৈ চাম্মদা হেক্তা চোংখি। হুম্ফু, হুম্ফুতরা, মরিফু হায়না লাক্তে। চাম্মদগী চনি-চহুম, অদৈগী চমঙা। ঐখোয়দি শেল পায়বা কাঙলূপসু নৎতে। অঙম অঙন্বা য়েংনবা য়ারিবনি। চাকখূমনা মিরাং থুরগা ইজ্জৎ তৌবদুদি পান্নরম্মোইদা"

প্রেমজিৎকী ৱাতাদুদা হোটেলদু পূমচীক চীকই। অমগা অমগা য়েংনদুনা লৈ ওঝা খোইবীনা তলদু চাবা লোইশিল্লগা চা অশাবদু অমুক্তং চিংলগা,

"সিনিদা ইবুংঙো প্রেমজিৎ ইবুংঙোনা হায়বীরিদো চুম্মীবনি; অদুদা সোসাইটিসিগী চৎনবী হায়বা অমা লৈবনিনা মদুসু হেক য়াদ্রি"

"ওঝাবু, চৎনবী হায়বসে ঐখোয়না ওইহনখিবা ঙাক্তনি; শেমদোকপদা কৈসু কায়গেনে?"

"অদুবুনে, নঙ ঐনা হেক্তা শেমদোকউ য়াবা নৎতে।"

"ৱাখল মান্নবা ঐখোয় খরনা তৌবা হেক্তা হৌখিবদা তপ্ন তপ্না অদুম পাকথোক চাউথোকচরক্কনিদা । ঐদি কুইরে, ইশাগী ফীভমগী মতুং ইন্না তৌরকইবা।"

করেম্নবনি খঙদে, অশেংবনি খঙদে ময়ামদো "ফৈনে, ফৈনে অদুম্নদুম তৌনরদি পোৎয়েং-পান্থাগী মথা শানরিসে খরমখৈদি শাফগনি" হায়না হায়রগা হৌগৎনখি।

হোটেলদগী হঞ্জিল্লকপদা, অয়ুক্কী থবক-ইনখাং লোইশিল্লগা ৱাখলগী মীহুলগা খরা কাংলপ মতু-মমান ইশোন শোন্না রোমাবতি মাঙ্গোলদা ফমদুনা লৈরম্মী।

"কৈদৌরে, নশা ঙমদ্রবরা?"

"হুং কৈসু তৌদে, হোরেনগী ময়ামসিগী খল্লুবদা সুম...।"

"কৈনোনে অদুবু, ইবানিনা থুংনবা চেন্না তারেদনা।"

"ঐদি খরবু তোকথোকঅসিরা খল্লম্মিনি।"

"এ পূফম লৈত্রবরা? অদুবু হেক্তা য়াব্রনে? চহুম চহুম চামঙা চামঙা য়েংদৌ শরুক চামা চামা, য়েংঙগা থুঙনা চৎপনা ফৎত্রো? পুরগা য়েংবা হায়দো ঐদি সুকয়া য়ানীংদে। পূশিল্লুরিবা শেলদু শিংনবা অহেনবা শেল লাক্তৌসু নৎতে; অদুনা হেন্না হেন্না লূখবৈ শরুক ওইরিসিনি। ঐদি কুইরেনা, ঐখোয়গী শেন্থোকসিগা চান্নদে খরা হন্থৌ হন্থৌ হায়রিবা।"

"হৌজিকপুদি ঐসু খন্দববুদি নৎতেদা।"

প্রেমজিৎ মতম খরা কনবা ঙমদবা লায়নানা নারম্লগা নহা ইওই ওইনা তাইবংপান থাদোকখি। মাগী শ্রার্দ্ধ নুমিৎনি। লাকইবা মীওই খূদিংনা উগদবা মফম য়েংলগা য়েংলগা "লৈখিদ্রবগী থৱায়না পামজরম্বগী মতুং ইন্না পোৎয়েং শেল লুপা ১০০ গী মথক লৌজদে, লোয়ননা সঙ্কীর্তনদা শেল থাবিদনবা নোল্লুকচরি, পূম্নমকপু থাগৎচরি" হায়বা ৱাহৈশিং ইবা চেবাংশিং থেৎ থেৎতুনা থল্লি।

> *ৱারীমচা অসি অইবা অসিগী লাইরিক 'অওনবা'দগী লৌথোকপনি*



## শৈরেংনা অমেরিকাদা

হিন্দিদা : মঙগলেম দৱরাল
মণিপুরীদা : ডাঃ সিবানন্দ য়ুমনাম

কপ্পসু থিঙই, নীঙবা কায়না হিংবসু থিঙই
অমেরিকাদদি।।
য়েংবা তায় মীৎ লাওথোক্তুনা পুম্নমক
হংঙ্গৎনা পুন্সিবু কনানসু য়েংনদে।।
ৱারিসিমদি নঙসু মঙলমদবদি য়াই
মদুদি চাউরবা দুকান'মদা পোৎয়োল্লিবী
মশক ফজবী নুপী'মনা
নোংমদি
উঙদুনা লৈরম্মী ৱাখল 'মদা তাওদুনা
কাউথোক্লুই মাদি পোৎলৈবা লাকপশিংগী মমাঙদা
মোমোন-মিনোক তমদুনা হরাউ তরাম্না ওকপদু।।
নুমিৎতুগী নুমিদাংৱাইদা মপুদুনা মহাকপু
থবক্তগী লৌথোকপিখি দুকান্দগী তান্থোরকখি।
ঙরাংদু মপুরোইবগা খায়নবতা ঙায়রিবনি।।
মাঙজিল থাবা তাই, হেনগৎনা চৎপা তাই
অমেরিকাদদি।।
কনানসু হেঞ্জিন্না ৱাখল খনবা চৎনদে
অমেরিকাদদি।।
মীৎকুপ 'মফাও কাউথোকপা য়াদে মোমোন-নোকপদু
অমেরিকাদদি।।
ইশানা ইশাবু চেকশিঞ্জবা তাই
অমেরিকাদদি।।

●

## ইমা

**নাওরেম বিদ্যাসাগর**

চীংশাং নাপোমদগী পাইরকপা
তাঙ্গোয় তারবা ঊনাশিংনা
লৈন-লৈন
শুমাঙগী ঊফুল'লক্তা চোইনা কেল্লক্লি।।
করম্না লেল্লিবগে নঙবু ইমা?
অচীকপগী মহুম কায়রগা উচেকশিংনা
শহুম কন্না থেংলম্লগা পাইখিবদা
খুন্দোনগী তেরা মনাশিংনা
শূৎ-শূৎ, শূৎ-শূৎ কপহৌরি।।
কপ্পিবসিবু নঙলনে ইমা?
তাম্না উরিবা পামলৌগী
খুলোল্লবা চুজাকশিংনা
'লাক্লো লাক্লো' হায়না
মখূৎ হৎল-হৎলদুনা কৌরক্লি।।
কৌরক্লিবসিবু মঙলনে ইমা?
ইমাগী ইবুংঙো,
ইমাগী ইবুংঙো
মশা চাকথেল্লবা উচেকশিংনা
লাক্ল-লাক্লা খোংবগুম
মীকপ-মীরাওখোল তারি তাম্না।।
মীকপখোলসিবু নঙগীরনে ইমা?
চীংশাং নাপোমশিংগী মরুমদগী
ইঙেলগী নোংহৌগুম
মৈখু মপৈ-মপৈনা চাইথোরক্লি।।
খঙলে ইমা,
নঙগী ঙৌরবা অদুঙৈগী মায়থোঙ
কাথেকখ্রে মৈরিনা মুশুক-মুনা।।
চীংশাংশিংগী মরুমদা
কনা উখিনি ঈকায়না
ঙসিদি নদোম লোন্ন-লোন্না
কংউ য়াদ্রবা মীৎকী পি তৈথোক্লি।।
নঙগী পিরাংনা
ইঙেলগী নোংলীক ওইনা
খীকথরক্লে ইথক্তা।।
য়েংঙু ইমা,
ইশা পূম্বদি কয়াদা ঈংলবা!
থম্মোয় মৈচাক্তি
হৌজিক্তা হেন্ন-হেন্না
মকা লাম্লক্লি ৱাংমগুম।।
লম্বী খূদিং কোয়থৎ-থৎচিল্লিবা
চীংশাংশিংসে
মথম্মোয় ওন্থোক্লসু কনমল্লি।।
নাপলগী থেক্কৎলিবা মঙকশিং
খজিক্তং নোম্থৌ তাবিদে।।
অদুবু ইমা,
লাক্কনিয়ে ননাক্তা
চীংশাংশিংগী থেক্কৎলিবা কোক্তোনশিং
কার-কারদুনা
লান-লান্দুনা।।
মমাগী মীৎকী পিবু
মচাশিংনা নত্তনা
কনানা অমুক তৈথোকপিরনি?
(শৈরেং অসি অইবা অসিগী 'খুঙ্গং অমসু রিফ্যুজি' কৌবা লাইরিক্তগী লৌথোকপনি)

●

## নীংশিংহৌরনি শোক ৯৯

**সামসুল হুদা কাজী**
**সিঙ্গেরবন্দ, কাছার**

অৱা-নুংঙাই কয়াগী মরক্তা
চৎমিন্নখি নং-ঐ খূৎশম্নুনা
নঙগী নীংথিবা শক্তমগী মমিনা
খুমজিনখি অমুবা নোংগী মপৈগুম
লৈক্রক চৎলবা ইতিহাসকী লৈমায়
কার্গিল, আফগান, চেচেনগী লানফমদা
বোম, টোপকী অমুবা মৈখুবু থৌওইদনা
কখোককখি অথৌবশিংগী ভক্তিগী বলিদান
মাঙহনখি য়েক্ল লীশীং লীশীং
পাইহনখি ইমাগী নীংতম ফীরাল
শংবানবা অতিয়াগী মখাদা,
অশিবা হকচাংসিবু শেৎ শেৎতুনা চারিবা
শাহিং চাবশিংগী শেৎন-মুন্নবগী খোঞ্জেল
নাম শোয়নাইরবশিংগী নাহেখোল
নংবু য়েংবা-তাবা ঙল্লিরনে ওড়িছাগী তোর্ব্বান
নোংদোন খেৎনা ৱাংলবা ফ্রাশিং
শীঙ্গুপ শানা মাঙহনখি মীৎকুপ খরদা
নাপল পূম্নমক তিনখি টুর্কীগী উফুল্লক্তা
শাফু কল্লবা য়ুহার হাবা অমদা,
পন্থুংসু খেন্নৈ, খোঙচৎসু তিন্নদে
অদুবু জাত্রিকশিংদুবু নীংশিংলমগদ্রা থম্মোয়না
মায়গৈ খেন্নবা ত্রেন অনিদু
অরোইবা সংস্কারগী ষ্টেসন অমদা থুংলবদা,
অহানবা মিলেনিয়মগী কায়নরমদায়গী মিৎকুপ্তা
মনীং তম্না পাইখিবা মালং জাহাজ আই সি ৮১৪
পাইসি পাইঙমদা খাঙঙমদনা খাঙখি
হাইজেকরশিংগী তমথীরবা শারমচৎকী মরক্তা
চয়োল অমা চুপনা কাণ্ডাহাড়গী পাইথাঙফমদুদা,
ঙসিদি কায়নবা হায়বা লাইৱানা
নুংঙাই য়াইফগী যগৎ অমা শেন্বীরম্লগা
থিন্দোকপীরে নুমিৎ, থা, চহিগী লম্বীদা
অনিশুবা মিলেনিয়মগী অনৌবা ময়োল চোংলকপসিদা
অমুক হল্লক্লরোইদবা খোঙচৎ অমদা

●

## ইমা শিংদা

দল্লিয়ু অঙৌয়াইমা সিংহ

নুপী ওইবী নহাক্তি
ইমা শিংদ চনবনি।।
নুপী ওইবী নহাক্লা
চৎনবী ইকাই খূম্নবা
লাক্লবা ৱাংমা লান্নদি
চাইগনি সমাজ কাং-কোং।।
মফমনি নহাক্কী মালেম অসে
নহাক্লি জাতিগী শিন্বল
ননীং তৌরবা নহাক্লা
ঈংগনি করম্বা জাতিনা।।
নহাকপু লমহেনবা কনানা।।
ঈকাই খুম্নবা ঙাক্ত্রবা
লৈবাক মমাঙ থোক্কনি
ঈকাই ফিরুক খুমগনি
মীরমলেন্দ মফম পীক্কনি।।
নংগী নতিক নগুলদি
শীংথাবনা লোইবা ঙমদবা
শায়োন্নি মালেম ইমাগী।।
মচা ওইবশিংবু থাকপিবা
অৱাবগী চৈথেং নংজবী
খাঙবা কনবী চীংজাওগুম
মচা ওইবশিংগী হোৎনবা
নুপী ওইবীগী ফেদমদু
চৎনবিগী লীচৎতা, ঙাকপিবনা নহাক্লা
মালেমদা শান্তি ফংগনি।।

●

## পাঙদবা


মলহোত্রা ওইনাম

ইরগে খল্লি ৱাখলনদি
থোরকউ য়াদে ৱাহৈ মচেৎ অমফাও,
লৈরমলোই ফজবা
সাহিত্যগী লৈচল
ৱাখলনবু ফুনগৎলবা, ফকচনখ্রবদি।।
যুগ কয়া কয়া হৌখরে
ঐগী ৱাখলদি হোংদ্রি
পরৈ চেৎপা নিপাগী মতৌগুম।।
লৈরম্লবা ঐগুম্বা পাঙদবা ঙাক্তা।।
করিগী লৈরমগনি ফজবা শৈরেং।।

●

# কেল্লবা ঊনাশিং

## (ফাগী-করেম্নবগী মরক্তা ফাওরকপা মঙালগী শৈরেংশিং)




অহানবা মালেমগী লাঞ্জাউ মনুংগী অইবশিংবু 'মাঙলবা মীরোল (লোষ্ট জেনেরেসন)' হায়না কৌবি। ৱাহৈ অসিমক্তি ফ্রেঞ্চ অইবী, নুপী কবি গেরট্রুদ ষ্টেইন্না চিল্লাম খলাম ওইনা হায়দোকখিবনি। মরুওইনা আমেরিকাদগী লাঞ্জেল্লকখিবা, ফ্রান্সতা তাংজফম লৌদুনা লৈবা অইবশিংবুনি। মখোয়গী মরক্তা স্কোট ফিৎজরেন্দ, এজ্রা পাউন্দ, আর্নেষ্ট হেমিংৱেনচিংবা য়াওরি। টি এস এলিয়টসু মতমসিগী অইবনি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইরিবদি মিস ষ্টেইনগী ৱাহৈদু চুমখিদ্রে, অইবশিংসি লোয়না ফাওখি। মতম অসিদি পোষ্ট মোডর্নিজমগী মরু হুনখিবা মতমনি। মতম অসিদনি অইবা কাঙলূপ অমনা 'ডাডাইজম' হায়বা ৱাখল্লোন অমা হৌদোক্লকখিবা।

মসি পঞ্জরিবগী মরমদি-ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিবু মাঙলবা মীরোল হায়বদু ওইরব্রা? নোংমতা মীশি-মীনা, নুপী-অঙাং ওৎ-নৈবা, ইজৎ মাঙহনবগী পাউ য়াওদবা পাউ-চে লৈত্রে। মীওইবগী থম্মোয়দা মীনুংশি, অফবা খনবা, অচুম্বা তৌবগী ঈ মরীক অমতা লৈত্রবগুম তৌরে। নহারোলগী মফমদা থকসি-খাসিগী ৱা লাপ্পা লৈখ্রে। লৈখা তারবা খুন্নাই ওইরে। অদুবু থম্মোয় নৌবা কবিদদি খক লেম্না মাঙদে। মখোয়দুগী মরক্তা ঐখোয়গী তাঙনা ফংজবা কবি ভুবনস্না য়াওরি। মাগী থম্মোয়দা দং দং পাল্লি থোক্লিবা থৌদোক পূম্নমক। অদুনা মহাক্লা ইথোক্লক্কনি মওং অমদা নৎত্রগা অমদা। মাগী শৈরেংদি তোপ তোপ্পী। মাগী খ্বাইদগী হৈনজবী খূৎইদি, মচেক্লা য়ৈবনি, ৱাহৈ অমনা করেম্নবনি, ফাগী তাথোকপনি, অদুগা নোক্লুবা হন্থরকপদা ইকাইরকপদুনি ইথন্তা। সেটয়ার, আইরনি, হ্যুমর, সার্কাজম মাগী খূৎলাইনি। সেটয়ার হায়বসি কবি ভুবনস্নানা ওন্থোক্লা খূৎলোয়না শীজিন্নরি। হেক্তা ফাগীনা য়াদে। মসিদা লৌশিং অমদি নোক্লিং-ৱা য়াম্না চৎঙি। মদু অমতা ভুবনস্নাদা ৱাক্তে। অমতং য়েংলগা হেক্তা খঙগনি। ইকাইবা খঙদবা, হৌদোংমায় পানবা ঙসিগী অঙম অথৌশিংবু করেম্নবদা মানা শীজিন্নরিবা আইরনি ওন্থোক্লা ফজৈ, মানা হায়, *হৌদোং অমগী য়ানুংদা/লৈহাউ লৈরেল অমা পোমশাৎনৈ/লাক্তুনা লুমদুনা চাবদগী/মবুক পেরবা হৌদোংদুনা/ তূম্নিংলক্তুনা/হাকাম লাওনা চল্লকঙৈ/লৈহাউ লৈরেলগী লৈনম্না/লীৎথোরকই/তপ্না, তপ্না, য়ানুংদগী (হৌদোং অমসুং লৈহাউ লৈরেল, লা: ৮)*। মতমসিগী ফৎত্রবা অঙম-অথৌগী মতুং কোইন ইন্নরিবা মীয়াম্বু মিৎ মায় পাঙহনবা, ৱাহৈ ঙাক্তনি। অমুকসু য়েংবা য়াই, *ইমা ! নঙগী মোংফমগী শরুক্তুদা/নহুৎশিন্না নঙগীদমক/হীপচগেনে ঐনা হান্না/নঙগীদমক লৈতানা/অদুবু ইমা!/লৈরমদরে'সিফাও/ (ইমা, লা: ৩৯)* ঐখোয়গীনি হায়বা শরুক অমতা লৈরক্ত্রবদা কবিনা থারকইবা পেন্দবগী ৱাহৈনি।

কবি ভুবনস্নাগী তোপ-তোপ্পা অমতং হায়বা তারবদি মাগী ফাগী করেম্নবগী ৱাহৈথিবদা ৱাদবসিনি। হান্না লৈরম্লবা ষ্টোক সেটয়ারশিং শিজিন্নদে। মাগীদি উরিবা, তারিবা পোৎ খুদিংমক মাগী কলম্না হেক্তা লৌশিল্লি মাগী ওইনা। *হঙ্গাম মচুগী/কোক্তুম্বী উপ্পী/পোৎলোয় নীংথিনা শেৎলবী/কৌবুলিয়া পাম্বী অমনা/...মীৎচিনা কোৎলকই ঐঙোন্দা ফল্লপ/থেক্কা থেক নৌগ নৌ/চোঙারাবা অমতা থিবিরকউ/...ৱারকচহৌগে খূৎ চানবা/মতম চারিঙৈসিদা (লমতা থাগী কৌবুলিয়া পাম্বী, লা: ৩৮)*। মতমসিগী নুপীগী মশক মমি তারিবা ফাগীনি। অমুকসু কবি অসিনা পাউ-চেশিংগী চেকশিন্দবা, বানান লানবা কয়াবু ইচম চম্না করেম্নে অসুম্না *মফম অমা থিজরি/পাউ-চেদা পীখি হাপ্পক্রবা/মংফম অমা থিজরি/য়ারদ্রা য়েংঙু, নম্লগা ফোঙলকই (পাউ-চেদা য়ূম্ফম থিবা, লা: ৭০)*। অমুকসু খরা লৌশিং চঙবা করেম ৱাহৈ য়েংবা য়াই। লম অসিদা মঙলান অমতা মঙফাওনদে, নীংবা অমতা থুংনদে, থুংহনবীগদবা লৈঙাক মপুনসু থওইবিদে। মসিবু কবিনা নাকচেক্লা য়ৈরি, লৈচিনগী সিম্বল লৌদুনা অসুম্না, *অমুবা নোংহৌ, অমুবা নোংহৌশ/শন্দোরক্কনু, নহাক শন্দোরক্কনু/হিংনা হিংনা ফুম্নবা হোৎনরি/মফমসিদা/মঙলান অমা/ফ্রিং ফ্রিং চোংনা ফারগা মশানা য়াদনা/খনজিনখিগনি পূম্নমক উদনবা/ নঙগী অমন্বা মমিনা (অমুবা নোংহৌ, লা: ৮৫)*। ওন্থোক্লা ফজখনবা শৈরেং মতেক্লি হায়নীংঙি। মসিদা নত্তে, অমুক য়েংবিয়ু। লমদমসিদা পিল্লিবা নুপীমচা ফাওবা ইজৎ মাঙহল্লগা হাত্তোকপিরিবা অসিবু পেন্দনা কবিনা শৈথারি, *ইনখৎলক্লিবী/মপূং ফানা ফীজোল হোংদ্রিবী/গুল মোহর পাম্বী মচা অমা/মশা শেংলক্ত্রে/মীয়াম মমাঙদা/... লম্বী চৎপশিংনদি/ওমশিন্দুনা য়েংনরি/মিতানরদুনা/কয়াদা ফজরিবা !/তগৎ তগৎ তেক্লা, নৌনা/ অশংবা ফিজোলসিগা (গুল মোহর, লা: ১১)*। অমুকসু মীতৈ নুপীগী হোংলক্লিবা শাজৎপু করেম্নরদুনা কবিনা ইরি, *অয়ুক চাকচা তোকপদগী শেৎথখিবদুনা/মথং নোংঙানবৈ চাক তোক্লুবফাও/শেৎথদুনা লৈ/মৈতৈ নুপী/.... ক্বা জর্দা মতপ অমা উম্লগা /...মীৎকপ থোরকপদা/লৈরম্মী বোম্বে কেন্সর হোসপিতান্দা*। অচুম্বা ফাগী তৌরিবা ৱাহৈ পরেংশিংনি।

কবি ভুবনস্নাগী হোংলক্লিবা মশক অমা হন্দক্কী লাইরিক অসিদা ঐখোয়না উবা ফংলি। হৌনবনি চহীনা পীরকপা খুদোলনি। ঐ লাইনিং লৌদে হায়রম্বা কবি রত্ন শ্রীবীরেনসু সনাগী কৈরাক য়ৌরকপা মপান নাইদবা লমদম উরকখি। অদুম্না ঐখোয়গী ভুবনস্না ৱাখলগী পংখৈ থিরকপা হৌরে। মাগী ফাগী করেম্নবা ৱাহৈশিংগী মরক্তা মঙাল পুবা শৈরেংশিং মকা ফোংলক্লে। মসি অচৌবা অহোংবা অমনি। পুন্সি খঙলক্লে, তাইবঙসিবু করিনো খল্লক্লে, মপান নাইদবা অমদা মানা করি ওইরি থিরক্লে। মশাগী মশক খঙলক্লবা কবি অসিনা ফাগী পুদবা, করেম্নবা চঙদবা শৈরেং ইরি অসুম্না, *ফূয়না হৌরকপা/নোংদুমশিংনা হংঙি/ মখোয়গী পন্থুং কদোমদনো/...অশংবা অতিয়ানা খূম্লকই/অশুবা কুইবসে/...কদায়দা লোইবগে হায়বা/ খঙজদ্রি ঐহাকসু/অদুনা চৎত-চৎলু লম্বী চৎপা (লম্বী চৎপা, লা: ১৮)*। কয়াদা ৱাংখ্রবা ৱাখলনো? কনানা হায়বা ঙম্বগে অতিয়াগী ঙমখৈবু। মমুল

*লাইরিক্কী মমিং - কেল্লবা ঊনাশিং*
*অইবা - ৱা.কু. ভুবনস্না*
*মখল - শৈরেং*
*ফোঙবগী চহী - ২০১৪*
*অফোঙবা - রাজকুমারী খ্রিদেশ্বরী দেবী*
*মশক তাকপা ঃ সলাম তোম্বা*

ফারবা কবিগী মিৎয়েংনি। অমুকসু শৈরেং অমদা, মঙাল থিবা পরিংদা অসুম্না ফোঙদোক্লি, *মঙালনা লূমথরক্লবা/ উনা অমা কেন্নিং কেন্নিং লৈ/হাইদুনা/মঙাল ফংলে/ বুদ্ধ ওল্লে মহাক/ মঙাল য়েন্থোকপা চৎপা তারি/অমোৎপা লৈমায় লৈমায়দা (বুদ্ধ ওল্লবা উনা, লা: ৭)*। ফজবা ইমেজরী অমা শাগৎপা ঙম্বা শৈরেংনি হায়নীংঙি। কবিনা মশাবু অয়ুক্কী লিক্লা ওইনা উরকই। নুংশা লাকপদা তাকখিদৌবা। লিক্লা ওল্লবা কবিনা মাগী অপোকপা অপোকপীগী অশেংবা মশক থিরকই। অদুগা য়াম্নমক চুম্না মতোমতা তাকচৈ, *নঙগী খোঙয়াদনি/...নঙগী খোঙয়ানা ঐখোয়গী ইমানি/নঙগী খোঙয়ানা ঐখোয়গী অপোকপনি (ইমা, ইপা, লা:৯৩)*। মসিদা 'নঙ' হায়রিবসি ৱাহন্থোক চাম্ম থোক্লা হনবা য়াই। অরোইবদা তাইবঙ মপুসু ওইবা য়াই। কবিনা মশাগী পন্থুং মশক খঙলকপগী ৱাহৈ অমনি।

য়ামখ্রে শৈরেং ৬৩ য়াওবা লাইরিক অসিদা কবি ভুবনস্নানা শিজিন্নরিবা সিম্বল, সিমিলি ৱিট, হ্যুমর। শম্না পাউদম্বা তারবদা পূম্নমক ভুবনস্নানি। মাগী মশক অদুম পুদুনা চৎলি। হোংলক্লিবা হায়ববু মঙাল থিরকপা লম্বী অসিনি। মঙালবু ওন্থোক্লা খৌরাংজখিবা, তির্থ যাত্রিক অমনি খঞ্জখিবা ওজা নীল্লকান্তদা কখোককচৈ লাইরিক অসি মঙালগী মায়কৈ য়েংলক্লিবা কবি অসিনা। য়াম্না ফজবা লাইরিক্লি হায়নীংঙি। লাইরিক মমিং পুরিবা *কেল্লবা ঊনাশিং* হায়বসিদা কবিনা ফোঙদোক্লিবা খরসিনা ঐখোয়সি করিসু উপাই লৈজদ্রবা অকংবা উনাগুম থৱায় খঙপিক পিক্লুবদু কবিনা পাল্লবা মঙালগী লমদা থনম্বা ঙম্লে। মসিনি কবিগী মায়পাকপা। ঐখোয়না হেন্না আশা তৌরি কবি অসিদগী হেন্না মরু চঙবা ৱাহন্থোক চাম্ম থোকপা অৱাংবা থাক্কী শৈরেং কয়া লেপ্তুনা পুথোক্লকপা ওইসনু।

# "মরোল থোক্তবা"

হিন্দীদা ইবা- গোরা পন্ত শিবানী
মণিপুরীদা হন্দোকপা- **লৈমপোকপম বেদান্তী**

*হান্নগী মখা...*

অদুদগী থম্মোয়দু নুঙগুম কনশিন্দুনা হৌগৎলক্লে, অরোয়বা ওইনা লোম্থোক্তবদুবু চুপ্পীরম্লে অদুগা তেনজৈগুম য়াঙনা কাদুদগী থোকখরে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা মা মপুরোইবগা লোয়ননা মীরৈবাক্তা চৎখ্রে। থা খরগী মনুংদা ভারতমচা সেক্রেটরীগী জগোয় হৈবী লোয়নবীগী ৱারীনা এম্বেসি পূম্বা নিনখরে। অমুক্তি মাগী জগোয়দু টেলিবিজন্দা উৎখরে, নোংমদি চিঠি অমা লাক্লে। চিঠিদু লোম্থোক্তবনা তাথিবা অঙাংশিংগী সংস্থান অমা শিল-লাংলিবী মদর মারিয়াদগীনি। "মাগী মরায়বক থিরবা অঙাংশিংদুবু মাগী জগোয় অমুক্তং য়েংহনবা য়াগদ্রা !" কৃষ্ণনা অয়াবা পীথোকখ্রে। মানা পুং অহুম চূপ্পা জগোয় শারম্মী। লোম্থোক্তবশিংগী মায়থোংদা তারিবা নুংঙাইবগী মমিদু খুবাক করোর কয়াগী মখোলদগী হেন্না মমল য়াম্মী। জগোয় লোয়রে, মদরগী মখুৎ পায়রদুনা লাইমচামুক ফজবা নুপামচা অমনা মখুৎতা লৈ চবুল অমা পায়রদুনা লাক্লি অদুগা মঙোন্দা পীররে।

"থাগৎচরি ইবুংঙো, করি মিং কৌই ?" হংলুই, কৃষ্ণনা মাগী খন্থহৌদবা ৱাখলদুগীদমক মথন্ত শাওজরকই। "ওহ মিসেজ ত্রিপাঠী, অঙাংশি পোকপদগী মরোল থোক্লক্ত্রবনি।" মমানা মাবু ঐখোয়গী আশ্রমগী থোঙ্গালদা থল্লম্বদগী হন্না য়েংলদ্রবনি - যীশুনা মাবু ঙাকপীসনু। "অসি হায়রদুনা মদরনা মখুৎনা ক্রোস শেমলম্মী।

কৃষ্ণনা অঙাংদুগী ফজরবা মায়থোংদুবু য়েংদুনা লৈরম্মী। শিন্থরকপা পিরাংনা মাগী লৈতেংনা থল্লবা থবাক্তু পুমচোৎ চোৎলে।

"করি তৌরে মিসেজ ত্রিপাঠী, নহাক কপ্পবারো" য়াম্না ঙক্লা মাদরনা হংলকই অদুগী মানা চংশিল্লক্তুনা কৃষ্ণগী মখুৎ অনীদু চূপ্লম্মী। "অশুম্না মী খূদিংমক্লা অতোপ্পগী অৱা-অনাগীদমক কপ্পা ঙল্লবদি। মীরৈবাক্কী লোম্থোক্তবা অঙাং অমগীদমক নহাক্লা পি শিন্থদুনা কপ্পা ঙম্বসি উবদা ঐ য়াম্না নুংঙাইরে।"

মানা শিন্থরিবা পিরাংদু মীরৈবাক মচা লোম্থোক্তবদুগী নৎতে। হায়বসি চমজরবী মাদরদুনদি করম্না খঙগনি। মানা কপলিবদুদি মাগী ময়াং-কংলবা, শোল্লবা মখুৎতুনা থোংনাউগী য়োৎচৈদু কোল্লদুনা তুল্লিবদুগীদমক্তনি। মাগী মথানুংদা মোৎলবা শক্তম অমা কোল্লি। মাগী রেলদু কাশীবাইনা আশ্রমগী শান্নপোৎ থম্ফম কাদা শো লোন্দুনা থমখরে। মানা ফন কপচৈ, অদুবু মাগী মিকপতু কনানা তাবীনি? আশ্রমদা, খাদিগী তুপী উপ্তুনা, কার তোংদুনা, আশ্রম য়েংবা মীওই কয়া লাকই, মখোয় লাকপদা অঙাংশিংবু ফিরোল নান্না শেৎহল্লি, অথুম-অহাও কয়া য়েল্লি অদুবু লোম্থোক্তবদুনা অথুম-অহাওশিংদু লংথোক্তুনা মাগী রেলদুগীদমক নিংঙাই তৌই। সমুদ্রগী ইথক ইপোমগুম্না মাগী পিক্লবা মকোক্তুদা ৱাহং কয়া হংলকই অদুবু অরেম্বদা পাউখুম ফংদনা মাঙখি। মানা য়াম্না হংনিংখি ঐগী রেলদু মুনখ্রিবা করিগীনো? মী অশুক য়াম্না লাক্লগা, ঐবু নুংশিনা চুপ্পীদুনা শান্নপোৎ পীরম্বীদুনা লাক্ত্রিবসিনা করিগীনো? ঙসি কাশীবাইনা ঐবু লীচৈনা ফুরিসিনা করিগীনো? ঐদি শুপ্নতংগী পুরনদেইগী মনঙ্গলদা য়ানা চিকপদনি, মানা ঐবু নুমিৎ খুদিংগী ফুই, মাবুদি লীচৈনা ফুদ্রিদি করিগীনো? অদুবু মরায়বক থিরবা অঙাংদুনা করিসু হংজবা ঙমজদে। মমিৎ উদবা, থৱায় পান্দবা শওম অদুবু কোল্লদুনা থোঙনাউ মখাগী অমম্বদা, কাচিন্দুদা তাশিন্দুনা লোৎলম্মী, ঙাইহাক্তংদি কাশীবাই অমদি পুরনদেইগী মিৎয়েংদগী নাম্থোক্লবা। থাপ্লবা সমুদ্র ৱাংমদা মাগী মমাসু হিক্ল-হিক্ল কপ্পি - তশেংনমক মাগী নুংশিবনা থল্লবা মীকপুনা লোম্থোক্তবদবু নাউশুম ঈশৈ শকপগুম্না শুন্বীরমাল্লে। য়াম্না নুংঙাই তুমদুনা লোম্থোক্তবদু মঙলানগী সংসার অমদা তাউখরে, মফমদুদদি কাশীবাইসু লাক্তে, পুরনদেইসু লাক্তে। মফমদুদদি অচৌবা ইলেক্ট্রিক্কী রেল চেল্লি, সনাগী পাম্বীশিংদা শান্নপোৎ কয়া য়ান্থ-য়ান্থদুনা লৈরি অদুগা মশক ফজবী নুপীদুনা মাবু থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎতুনা চুপ্লি।

লোম্থোক্তবদু তুম্ন-তুম্ন নোক্লি অদুগা মাগী শওমদু অমুক্লা হেন্না চেৎনা মথাদা কোনশিল্লি।

ইশৈ

## লাক্লে কুমগী নোং

লাক্লে কুমগী নোং
ইঙাগী কুমদমশৈ শক্লদুনা
মচুগী ফিজোল শেৎলদুনা
লৈনা জগোয় শারক্লে।।০।।
নীংথিজরে ফজরে ইঙাগী মচুসে
ঈথক্কা ঈরৈগা য়েৎশিন্নরে
ঈশিংগা কোঙ্গোলগা পুল্লে।।০।।
তোমাল পাম্বীদা উরিনা য়েৎলে
শংবান্নবা অতিয়াগা মিৎচানরে
খোইরাংবা পুম্বা মাঙখরে।।০।।
নাপল য়াওদ্রবা উপালসে
ঊহৈনা লূমথরবা উশাসে
অরাম্বা কোক্ল পুন্সিসে।।০।।

শৈরেংবা ঃএস দি ক্ষেত্রি

## ইঙা থাসু ইঙেন থাসু

ইঙা থাসু লোইখিনি, ইঙেন থাসু চৎখিনি
থৱান, লাংবন ঙম্নমক হৌখিনি
খাম্বা য়ারোই কনানসু
মাগী-মাগী থৌদাং লোইদুনা।।০।।
থাবুম মশিং কয়া হৌখ্রবসু
লাক্কনি অমুক লেপ্তুনা শজিবু, কালেন...
তাইবং নখোয়গী শিন্থাক্তনি
লৈহৌগদবা পাঙঙমদা তাইবংসিদা।।০।।
মিৎকপ থোক্লো নহারোলশা
পুন্সি শিন্থা পাঙদুনা
মালেম পুম্বা খুবাম'নুংদা থল্লসি
মপারী মমোম ঐখোয়গী।।০।।

শৈরেংবা ঃ ইরোম বিদ্যালক্ষ্মী

## সাহিত্যগী খোঙচৎ

### মপোককুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী ৮১ শুবা মপোককুমওন থৌরম জুন ২৩ দা পরিষদ অসিগী শঙ্গাইপাৎতা লৈবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লমদা এৱার্দ ফংলকখ্রবা অইবা তরেৎসু হরাও তরাম্না ওক্তুনা অচম্বা খুদোলশিং তমখ্রে। থৌরমগী অহৌবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎলম্বশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি। তুংদা কুমজা ২০১৪দা এৱার্দ ফংলকখ্রবা অইবা তরেৎপু হরাও তরাম্না ওক্তুনা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে। থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী আর কে ঝলজিৎনা অথোইবা লেঙবীরকপা, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট প্রো. থোইদিংজম তোম্বীনা থৌরম মপু, এলাংবম সোনামনি অমসুং খুমন্থেম প্রকাশনা ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।